মেগনস কার্লসন ইনভাইটেসনেল ওনলাইন চেছ টুর্নামেন্ট

# য়ু এস এগী হিকারু নকামুরাবু লৈবাক অদুমক্কী শান্নরোয় ফাবিয়ানো করোনানা থোইখ্রে, চাইনাগী দিং লিরেন মায় পাকখ্রে





ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২৮ (এজেন্সী):

মালেমগী চেছ মশান্নগী নুপাগী ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবা নোর্ৱেগী গ্রান্দমাষ্টর মেগনস কার্লসনলা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইদুনা শান্নবগী লম্দা মালেম শীনবা থুংনা অথিংবা অমদি য়ৈথোকপা কয়া লৈখ্রবসু ওনলাইনগী খুথাংদা মহাক্কী মমিংদা য়ু এস দোল্লর ২৫০,০০০গী শেলগী মনা লৈবা মেগনস কার্লসন ইনভাইটেসনেল ওনলাইন চেছ টুর্নামেন্ট শীন্দুনা মালেমগী অতোপ্পা মকোক থোংবা শান্নরোয় ৭কা শান্নরকপা তরাশুবা রাউন্দদা য়ু এস এগী শান্নরোয় অনীগী লম্বাদা ফাবিয়ানো করোনানা হিকারু নকামুরাবু মায়থীবা পীখ্রে। অদুগা অতোপ্পা মেচ অমদা রসিয়াগী ইয়ান নেপোমনিয়াচিবু চাইনাগী দিং লিরেননা থোইখ্রে।

গ্রান্দমাষ্টর ফাবিয়ানো করোনা অমসুং য়ু এস এগী অতোপ্পা শান্নরোয় হিকারু নকামোরাগা লম্বা তৌনখিবা তরাশুবা রাউন্দগী মেচ অদুদা করোনানা অঙৌবা মচু পায়দুনা অহানবা গেম শান্নবদা মায় পাকপা ঙমখি। থংননা অনীশুবা গেমদা নকামুরানা অমুক হন্না অঙৌবা মচু পায়রগা মায় পাকপদগী পোইন্ট ১-১দা লৈনখি।

অহুমশুবা গেম অদু করোনানা অঙৌবা মচু পায়রবসু নকামুরাগী মায়কৈদগী অকনবা প্রেসর লাক্কুনা গেম অদু দ্রো চৎপদগী পোইন্ট মান্নদুনা লৈখ্রবা মতুং মরিশুবা গেম অদুদসু হান্না লৈনখিবা পোইন্ট ১.৫-১.৫ অদুদগী মখা তানা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট ২-২দা লৈনরকপদগী টুর্নামেন্ট অসিগী চৎন-কাঙলোনগী মতুংইন্না আরমাগেদনগী ফোর্মেটতা টাই ব্রেক শান্নখি।

অরমাগেদন ফোর্মেট অসি চেছ মশান্নগী ওইনা য়াম্না মরু ওইবা ফোর্মেট ওইনা মায় পাক্তবা য়াদবা অমদি পোইন্ট মান্নরবা মতুং শান্নরোয় অনীগী মনুংদা মখা তাবা রিজল্ট ফংনবগীদমক শেমখিবা ফোর্মেট অমনি। মদুদা শান্নরোয় অনীগী মরক্তা অঙৌবা মচু পায়বা অমসুং অমুবা মচু পায়বগী টোচ তৌগনি।

অঙৌবা মচু পায়বনা শান্নবা অদুগী এটেক চত্থবগী খুদোংচাবা লৈজখ্রবসু করিগুম্বা ফোর্মেট অসিদা অমুবা মচু পায়বা শান্নরোয় অদুগীসু কান্নবা থল্লগা দ্রো চৎপা মতমদা অমুবা মচু পায়বা শান্নরোয়না গেম অদু মহাক্কী মায়কৈদা লৈদুনা পোইন্ট ফংগদৌরিবনি।

গ্রান্দমাষ্টর ফাবিয়ানো করোনা অমসুং হিকারু নকামুরাগী তরাশুবা রাউন্দ অদুদা পোইন্ট ২-২ মান্নদুনা লৈখ্রবা মতুং অরমাগেদনগী টাই ব্রেক শান্নরকপদা করোনানা অঙৌবা মচু পায়রগা হিকারু নকামুরাবু থোইবদগী তরাশুবা রাউন্দ অদু ৩-২দা মহাক্না মায় পাকখি।

মেগনস কার্লসন ইনভাইটেসনেল ওনলাইন চেছ টুর্নামেন্ট অসিগী ঙরাং শান্নখিবা অতোপ্পা তরাশুবা রাউন্দগী মেচ অমদা চাইনাগী গ্রান্দমাষ্টর দিং লিরেন অমসুং রসিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর ইয়ান নেপোমনিয়াচি লম্বা তৌনখি।

মেচ অদুগী অহানবা গেমতা রসিয়াগী শান্নরোয় ইয়ান নেপোমনিয়াচিগী এটেক অদু অমুবা মচু পায়খিবা চাইনাগী দিং লিরেননা নিংথিনা ঙাকথোকপা ঙমখিবগা লোয়ননা দ্রো চৎপদগী পোইন্ট য়েন্নখি।

অনীশুবা মেচতা দিং লিরেনগী মায়কৈদগী অঙৌবা মচু পায়রগা ফজবা হেনখিবনা মায় পাকখি। অহুমশুবা গেম অদুদা পোইন্ট মখায় অমা শোথখিবা নেপোমনিয়াচিনা মায় পাকপা ঙমখি। অদুবু মরিশুবা গেমদা দিং লিরেননা অঙৌবা মচু পায়রগা রসিয়াগী শান্নরোয় অদুবু থোইবদগী রাউন্দ অদুদা মহাক্না পোইন্ট ২.৫-১.৫দা মায় পাক্লগা তরাশুবা রাউন্দ অদুদা মপূং ফাবা পোইন্ট লৌখি।

ঙসি অথেংবদা ১১শুবা রাউন্দগী ওইনা টুর্নামেন্ট অসিবু শীল্লিবা অমদি ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন গ্রান্দমাষ্টর নোর্ৱেগী মেগনস কার্লসননা রসিয়াগী শান্নরোয় গ্রান্দমাষ্টর ইয়ান নেপোমনিয়াচিগা লম্বা তৌনগনি। অদুগা অতোপ্পা ১৩শুবা রাউন্দ অদুগী মেচ অদুদা মশাগী চহী ১৬তা ঙাইরিবা ইরানগী গ্রান্দমাষ্টর আলেরিজা ফিরোজা অমসুং নেদরলেন্দসকী গ্রান্দমাষ্টর অনিস গিরি লম্বা তৌনগদৌরি।

তরাশুবা রাউন্দ লোইশিল্লকপদা টুর্নামেন্ট অসিবু শীল্লিবা মেগনস কার্লসন য়ু এস এগী হিকারু নকামুরা অমদি চাইনাগী দিং লিরেন পোইন্ট ১১ ফংলগা শান্নরোয় ৮গী টুর্নামেন্ট অসিগী মকোক্তা লৈরি।

য়ু এস এগী ফাবিয়ানো করোনা পোইন্ট ১০ ফংলগা ৪শুবা থাক্তা লৈখ্রবা মতুং ফ্রান্সকী মেক্সিন বেসিয়র লাগ্রেব অমসুং রসিয়াগী ইয়ান নেপোমনিয়াচি পোইন্ট ৫ ফংমিন্নরি। নেদরলেন্দসকী অনিস গিরি পোইন্ট ৪ ফংলবা মতুং ইরানগী শান্নরোয় অলিরিজা ফিরোজানা পোইন্ট ৩ ফংলগা খ্বাইদগী মমৈদা লৈরি।

# চহী অমা য়ৈথোকখ্রবা টোকিও ওলিম্পিক গেমস কোভিদ-১৯ লাইচৎ অসি লাকশিনবা ঙমদ্রবদি পাঙথোক্লরোই : গেমস চীফ





টোকিল, এপ্রিল ২৮ (এজেন্সী):

কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা চহী অসিগী জুলাই ২৪দগী ওগষ্ট ৯ ফাওবা পাঙথোক্কনি হায়না লেপ্পল্লখ্রবা টোকিও ওলিম্পিক গেমস চহী অমা য়ৈথোল্লগা কুমজা ২০২১গী জুলাই ২৩দগী হৌরগা ওগষ্ট ৮ ফাওবা পাঙথোক্লগনি হায়না লেপ্পখিবা মতম অদু করিগুম্বা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসি মালেমগী ওইনা লাকশিনবা ঙমদ্রবদি ওলিম্পিক গেমস অদু পাঙথোক্লরোই হায়না গেমস অদুগী ওর্গনাইজিং কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা য়োসিরো মোরিনা ফোঙদোকখ্রে।

জপানগী মমিং লৈরবা স্পোর্টসকী পাউচে অমগা ৱারী শানবদা য়োসিরো মোরিনা ফোঙদোকখিবদা, জপানমা ওলিম্পিক গেমস অসি চহী অমা য়ৈথোল্লবা মতুং করিগুম্বা লাইচৎ অসি লাকশিনবা ঙমদ্রবদি মখা তানা য়ৈথোকপগী খুদোংচাবা লৈররোই। মরম অদুনা ওলিম্পিক গেমস অসি জপাননা য়ূম্বু ওইবা ঙমলোই হায়খিবনি।

পাউচে অদুগা মখা তানা ৱারী শানবদা য়োসিরো মোরিনা ফোঙদোকখিবদা ওলিম্পিক গেমস অসিগী পুৱারীদা লানগী মতমদা য়ৈথোকখিবা অদু নত্তনা অতোপ্পা মতমদদি য়ৈথোক্তনা লাকপনি। অদুবু কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসি মশক উদবা য়েক্কবা অমগা মালেমগী লৈবাক খুদিংনা লান্থেংনরিবনি।

ভাইরস অসি মপূং ফানা লাকশিনবা ঙম্লে হায়রবা মতম অদুতদা জপাননা মথং চহীদা ওলিম্পিক গেমস অসি পাঙথোকপা ঙমগনি হায়না ফোঙদোকখি। মীওইবা খুন্নাইনা লায়না লাইচৎ অসি লাকশিন্নবা হীরম খুদিংমক্তা মতেং লৌনদুনা লান্থেংনরি।

জপান মেদিকেল এসোসিএসনগী মায়কৈদগী মকোক ওইরিবা য়োসিটাকি য়োকোপুরানা মিদিয়াগা উনবা অমদা ফোঙদোকখিবদা, জপান ওলিম্পিক গেমস ওর্গনাইজরগী প্রসিদেন্ট য়োসিরো মোরিনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদুগা মরী লৈননা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসিগী ভেক্সিন অমা পুথোকপা ঙমদ্রবদি চহী অসিদা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা ওলিম্পিক গেমস মথং চহীদা পাঙথোক্লনবা ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটি অমদি জপান লৈঙাকয়াওনা ওর্গনাইজিং কম্মিটিনা কুমজা ২০২১দা পাঙথোক্কনি হায়না য়ৈথোকখিবা অদু অরুবা ফীভমদা লাক্কনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

এসোসিএসন অসিগী প্রসিদেন্ট য়োকুরানা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ওলিম্পিক গেমস অসি জপাননা য়ূম্বু ওইবা নৎত্রগা ওইদবগী ৱাফম লৈতে। অদুবু কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসি লাকশিন্ননবা ভেক্সিন নৎত্রগা হীদাক পুথোক্ত্রবদি জপাননা কুমজা ২০২১দা ওলিম্পিক গেমস অসি য়ূম্বু ওইদবা অৱাবা অমা চাউনা মায়োক্লগনি হায়না ফোঙদোরকখি।

কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা ঙসি ফাওবদা মালেম শিন থুংনা মীওই ৩০,৯২,৪০০ নাহনখ্রবা মতুং মীওই ২,১৩,৩৪১ লায়না অসিনা মরম ওইরগা শিখ্রবনি। অদুগা মীওই ৯,৩৮,২৬৬না লায়না অসি নারম্বদগী লায়েংদুনা ফহনখ্রবনি।

মরক অসিদা, জপানদা হৌখিবা চহীগী দিসেম্বর থাদগী চাইনাগী সিটি ৱুহান্দগী শন্দোরকখিবা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা ঙসি ফাওবদা লৈবাক অদুদা মীওই ১৩,৬১৪ নাহনখ্রে। মসিগী মনুংদা শুপ্লগী মীওই ৩৮৫ শিখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা মীওই ১৮৯৯ কনবা ঙমখ্রবনি।

ওলিম্পিক গেমস হায়বসি মালেমগী ওইনা লৈরিবা লৈবাক ২১১ হেনবনা মখোয় মখোয়গী শান্নরোয়শিং থারক্তুনা শরুক য়াগদৌরিবনি। শান্নরোয় খক্তা নত্তনা শান্নরোয়শিং অদুগী লমজিং-লমতাকপা কোচশিং অমদি সপোর্ট ষ্টাফশিং য়াওরগা মশীং য়াম্লবা মীওই কয়ানা পূন্দুনা শরুক য়াগদবা মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা শান্নবগী কুম্মৈ ওইরিবনি।

মরম অদুনা ওলিম্পিক গেমস অমা পাঙথোকপদা লৈবাক অমা নৎত্রগা খরনা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ লৈত্রে অমসুং ফরে হায়না লাউথোক্লবসু অতোপ্পা লৈবাকশিংদগী লাকপা শান্নরোয়শিং অদুগীসু য়েংলগা মপূং ফানা লায়না অসি লাকশিনবা ঙমদ্রবদি টোকিও ওলিম্পিক গেমস পাঙথোকপদা খুদোং চারোইদৌরিবনি।

# বেদমিন্টন ৱর্ল্ড ফেদরেসন্না য়ু এস ওপন সস্পেন্দ তৌখ্রে, ইন্দিয়ানা দিসেম্বর লোইশিল্লকপদা ইন্দিয়া ওপনগী শেম শারগনি

BADMINTON WORLD FEDERATION



ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২৮ (এজেন্সী):

মালেম শীনবা থুংনা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মীওই ২,১৩,৩৪১ শিহনখ্রবা মতুং অতোপ্পা মীওই ৩০,৯২,৪০০না নাহনখ্রবদা শান্নবগী ওইনা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা ইভেন্টশিং য়ৈথোকপা অমদি তোকপগী খোঙথাংশিং লৌখৎলকপগী মতুংইন্না বেদমিন্টন ৱর্ল্ড ফেদরেসন্না চহী অসিগী জুন থাদা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা য়ু এস ওপন ৱর্ল্ড টুর সুপর ৩০০ টুর্নামেন্ট অদু সস্পেন্দ তৌরে হায়রক্লি। অমরোমদা, বেদমিন্টন এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়ানা চহী খুদিংগী পাঙথোকপা ইন্দিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট চহী অসিগী দিসেম্বর থা লোইশিল্লকপা অদুগা জন্যুৱারী থা হৌরকপদা পাঙথোক্লবা শেম শারে হায়রক্লি।

য়ু এস এগী কালিফোর্নিয়া ষ্টেটতা লৈবা ফুলরটোন সিটিদা চহী অসিগী জুন ২৩দগী ২৮ ফাওবা পাঙথোক্কনি হায়না লেপ্পল্বা য়োনেক্স য়ু এস ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট ২০২০ সস্পেন্দ তৌরে হায়না বেদমিন্টন ৱর্ল্ড ফেদরেসনগী মায়কৈদগী ঙসি ফোঙদেরকখি।

ৱাফম অসি বেদমিন্টন ৱর্ল্ড ফেদরেসন্না য়ু এস এ বেদমিন্টনগা য়াম্না কূপ্না নৈনরবা মতুং অপূনবা অয়াবা অমা লাকপদগী লাউথোকখিবনি। বেদমিন্টন ৱর্ল্ড ফেদরেসনগী মায়কৈদগী টুর্নামেন্ট পাঙথোকপদা মরী লৈনবা শান্নরোয়শিং, কোচ, সপোর্ট ষ্টাফশিং অমদি ওর্গনাইজরশিং অদুগী হকশেলগী য়াইফবা অদুনা মাঙ থারগা মফম অদুদা লৈরিবা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎকী ফীভম অদুসু য়েংলগা ৱারেপ অসি লৌখিবনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা শিহনখিবা অমদি নাহনবা লৈবাকশিংগী মনুংদা হৌজিক হৌজিক য়ু এস এনা মাঙজিল থাদুনা লৈরি। য়ু এস এদা ঙসি ফাওবদা লায়না লাইচৎ অসিনা মীওই ১০,১৪,৫৫৮ নাহনখ্রবা মতুং মীওই ৫৭,০৬৫ শিহনখ্রবনি।

থা অসিগী অঙনবা শরুক্তা বেদমিন্টন ৱর্ল্ড ফেদরেসন্না তোঙান তোঙানবা ফেদরেসনগী মখাদা পাঙথোকপা টুর্নামেন্টশিংগী ওইনা মে, জুন অমসুং জলাই থাগী সেদ্যুলশিং অদু সস্পেন্দ তৌখ্রবনি।

মরক অসিদা, বেদমিন্টন এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়ানা য়ু এস দোল্লর ৪০০,০০০গী শেলগী মনা লৈবা ইন্দিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট চহী অসিগী দিসেম্বর থা লোইশিল্লকপা নৎত্রগা মথং চহী জন্যুৱারী থা হৌরকপদা পাঙথোক্লবা শেম শারে হায়রক্লি।

# ইংলিস প্রেমিয়র লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০গী সিজন লোইশিননবা জুন ৮দগী হৌবা য়াবগী পান্দম থমখ্রে

লন্দন, এপ্রিল ২৮ (এজেন্সী):

মালেমগী মমিং লৈরবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা ইংলিস প্রেমিয়র লীগ কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইদুনা কুমজা ২০১৯-২০গী সিজন মরক থৎখিবা অদু মখা তানা চৎলিবা চহী অসিগী জুন ৮দগী হৌনবা শেম শারে হায়না লীগ অসিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

য়ুনাইটেদ কিংদমগী দিজিটেল, কলচর, মিদিয়া অমসুং স্পোর্টসকী সেক্রেটরি ওইরিবা ওলিভর দোদেননা ফোঙদোরকপদা, ইংলিস প্রেমিয়র লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা শরুক য়ারিবা ক্লবশিংগা কূপ্না নৈনরবা মতুং লীগ অসি জুন ৮দগী হৌনবা পান্দম থল্লিবনি।

মহাক্কী ৱারোল অদুনা মখা তারদুনা লাক্লিবা ইরাই নুমিৎতা প্রেমিয়র লীগ অসিদা শরুক য়ারিবা ক্লবশিংগা লোয়ননা ৱারী শানরবা মতুং কুমজা ২০১৯-২০গী ইংলিস প্রেমিয়র লীগ অসি জুন ৮দগী হৌবদা লৌখৎকদবা অমদি তঙাইফদবশিং অদু খন্নগদৌরি।

মরু ওইনা জুন ৮দগী প্রেমিয়র লীগকী মেচশিং অদু শান্নবা তারবসু ষ্টেদিয়মশিং অদুদা ভাবক য়াওদনা য়ারিবমখৈ মেচ মশীং য়াম্না শান্নদুনা জুলাই থা লোইশিল্লকপা ফাওবদা লীগ অসি লোইশিন্নবগী পান্দম থল্লকখি।

জুন থাগী ৮দগী লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসি হৌবগী শেম শাবা অদুদা মায়কৈ পূম্নমক্না অয়াবা লৈরক্লবদি শরুক য়ারিবা ক্লবশিংগী শান্নরোয়শিংনা থেংলবদা মে ১৮দগী ত্রেনিং চত্থবা মথৌ তারি হায়খি।

মরক অসিদা, প্রেমিয়র লীগ অসিদা শরুক য়ারিবা ফুটবোল ক্লব অর্সনেল, এবটর্ন অমসুং ৱেষ্টহামনা মখোয় মখোয়গী শান্নরোয়শিং লাক্লিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতগী ত্রেনিং গ্রাউন্দদা চংশিন্দুনা শেম শাবগী থবক লৌখৎপা য়ারে হায়খি।

অমরোমদা, টোটেনহাম হোসপরসু লাক্লিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতগী শান্নরোয়শিং মখোয় মখোয়গী ত্রেনিং সেন্টরদা চঙহন্নবগী থবক লৌখৎলি।

অতোপ্পা পাউ অমদা, য়ুরোপকী খ্বাইদগী চাউবা ফুটবোলগী লূপ ওইরিবা য়ু ঈ এফ এগী মায়কৈদগী য়ুরোপকী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংগী ফুটবোল ফেদরেসনদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা অৱাবা চৈথেং পীরিবা মতম অদুগী ওইনা য়ু এস দোল্লর মিল্লিয়ন ২৫০গী মতেং পীরগনি হায়রি।

লায়না লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা মরু ওইনা শান্নবগী লম্দা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা ফেদরেসনশিংনা মায়োক্লরিবা অৱাবশিং অদুগী মতেং ওইননবা য়ু ঈ এফ এনা শেলগী মতেং অসি পীরকপনি।

মমাঙদা লৈবাক অমগী ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টতা টেলিভিজন ব্রোদকাষ্টিং রাইট অমদি এদভর্টাইজিং এজেন্টশিংদগী লাক্লম্বা রিভিন্যু অদু লৈরক্তবদগী শান্নরোয়শিং, কোচ অমদি সপোর্ট ষ্টাফশিংদা পীগদবা শেলগী মতেং লৈরক্তবনা তোলোপ ককথবা অমদি থবক লৌথোকপা ফাওবা য়াওখ্রবনি।

# য়ু ঈ এফ এনা য়ুরোপিয়ন ফুটবোল লীগশিংদা মে ২৫ ফাওবগী মনুংদা মেচশিং পাঙথোক্লবা খোঙথাংশিং পীখৎলক্লবা হায়খ্রে





পেরিস, এপ্রিল ২৮ (এজেন্সী):

য়ুরোপকী ফুটবোলগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা লূপ ওইরিবা য়ু ঈ এফ এনা তোঙান তোঙানবা য়ুরোপকী লৈবাকশিংদা মখোয় মখোয়গী ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টশিং অদু কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা লেপহনখ্রবা মতুং মখা তানা পাঙথোক্লনবগী লৌখৎলকপা খোঙথাংশিং অদু মে থাগী ২৫ ফাওবগী মনুংদা পীখৎলক্কবা খঙহনখ্রে।

মালেম শীনবা থুংনা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা য়ুরোপ কন্টিনেন্ট খক নত্তনা অতোপ্পা মফমশিংদসু শান্নবগী ইভেন্ট পূম্নমক লেপহন্দুনা লাক্লিবনি।

হীরম অসিগী মতাংদা য়ু ঈ এফ এগী প্রসিদেন্ট আলেকজেন্দর কেফেরিননা য়ুরোপকী ফুটবোল ফেদরেসন ৫৫দা ইখিবা চেরোল অমদা তোঙান তোঙানবা কন্টিনেন্ট অদুগী লৈবাকশিংদা পাঙথোক্লম্বা লীগ টুর্নামেন্টশিং তোকপা তারবসু লৈখিবা টুর্নামেন্ট অদুগী পোইন্ট টেবলদা মকোক মথং তাবা টিমশিং অদুগী অকূপ্পা মরোল অমদি করম্বা ক্লবনা য়ুরোপকী ওইবা অপূনবা টুর্নামেন্ট পাঙথোকপদা ক্বালিফাই ওইবা টিমশিং অদুগী লিষ্ট চহী অসিগী মে ২৫ ফাওবগী মনুংদা পীখৎলক্কদবনি হায়খি।

আলেকজেন্দর কেফেরিননা মখা তানা ফোঙদোরকপদা য়ুরোপকী নেসনল ফুটবোল এসোসিএসন নৎত্রগা লীগশিংনা লৈবাকশিং অদুগী ওইবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট মখা তানা হৌবগী ৱারেপ লৈরবসু মে ২৫ ফাওবগী মনুংদা অকূপ্পা মরোল য়াওবা প্লান অদু থাগৎলক্কদবনি হায়খি।

য়ু ঈ এফ এনা শীনবা য়ুরোপকী ওইবা ফুটবোল ক্লবশিংগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা চেম্পিয়ন্স লীগ অমদি অনীশুবা থাক্তা লৈরিবা য়ুরোপা লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট হান্না শান্নবা হৌরবা মতুং কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরক্তা লেপহনখিবা অদু লোইশিন্নবগী অচৌবা পান্দম অমা থল্লি।

মসিগা লোয়ননা য়ুরোপকী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংনা মখোয়গী ওইবা দোমেষ্টিক ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টশিং অদুসু লোইশিন্নবা হোৎনবদা লৌখৎলকপা খোঙথাংশিং অদু মে ২৫ ফাওবগী মনুংদা খঙহল্লক্কদবনি হায়রিবনি।

য়ুরোপকী মমিং লৈরবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা ইংলেন্দদা পাঙথোকপা ইংলিস প্রেমিয়র লীগ, ইটালিগী সেরি এ অমসুং জর্মনিগী বুন্দেসলিগানা মখোয়গী ওইবা লীগ টুর্নামেন্টশিং অদু মমাঙদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরক থৎখ্রবসু সিজন লোইশিনবা পাম্বগী ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লরক্লি।

মরক অসিদা, নেদরলেন্দসকী দটচ ফুটবোল লীগকী ওইনদি হৌখিবা ইরাই নুমিত্তা লৈবাক অদুগী ফুটবোল লীগ সিজন অদু লোইশিল্লগনি। লোয়ননা লীগ অদুগী চেম্পিয়ন নৎত্রগা লীগ অদুগী মমৈ তাবা টিমশিং লৈররোই অমদি মখা থংবদা লৈরিবা লীগ টুর্নামেন্টতগী অৱাংবা ক্লবশিং প্রমোসন ফংবদগী থবক থৌরমশিং অদুসু লৈররোই হায়বা লৈখ্রবনি।

অতোপ্পা পাউ অমদা ইংলেন্দগী প্রেমিয়র লীগগী মরু ওইবা ক্লব অমা ওইরিবা টোটেনহাম হোটসপরগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকপদা, ক্লব অদুগী শান্নরোয়শিংনা ত্রেনিং মখা তানা চত্থবদা সোসল দিষ্টেন্সিং থল্লগা হৌহল্লগনি হায়রি।

ক্লব অসিগী ওইনা লন্দন্দা লৈবা ইনফিল্ড ত্রেনিং সেন্টরদা শান্নরোয় মশীং য়ামদনা সোসল দিষ্টেন্সিং থল্লগা ত্রেনিং চত্থহনগদৌরি। লোয়ননা সেন্টর অদুগী অকোয়বদা লৈবা বিল্ডিংশিংদা মীওই অমত্তা চঙহনবা য়ারোই হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

টোটেনহাম হোটসপর ক্লবকী মায়কৈদগী হয়েংদগী হৌগদৌরিবা ত্রেনিং অদুদা শান্নরোয় মশীং য়ামদনা ক্লব অসিগী লৈরিবা তোঙান তোঙানবা ত্রেনিং সেন্টরশিংদা রোটেসন থমদুনা শান্নরোয়শিং অদুনা ত্রেনিং তৌহনগদৌরি।

পিটচ অমদা শান্নরোয় অমখক ত্রেনিং চত্থবা য়াগনি। হায়রিবা শান্নরোয় অদুনা ত্রেনিং চত্থবা লোইরবা মতুং অতোপ্পা শান্নরোয় অমনা অমুক নুমিৎ অদুদা লাক্লগা ত্রেনিং চত্থবা য়াহনগদৌরি।

শান্নরোয়শিং অদু মশা মথন্তা মহাক মহাক্কী লৈফমদগী লাক্লগা হনখিবসু মী অতোপ্পা অমত্তা য়াওদনা ত্রেনিং লোইরবা মতুং চৎখিগদবনি হায়রি।

লোয়ননা শান্নরোয়শিং অদুনা লাকপা মতমদা ত্রেনিংগী ফিজোল অদু ময়ূমদগী শেৎলগা লাক্কদবনি। অদুগা হনখিবদসু ত্রেনিং সেন্টর অদুগী মফম অমত্তদা ফিরোলশিং অদু হোংদোকপগী ৱাফম লৈতনা মশা মশাগী কাদা হনখিগদবনি হায়রি।

HOME DELIVERY SERVICE FOR CONST. MATERIALS

ꯍꯥꯎꯖꯤꯡ ꯂꯣꯟ / HOUSING LOAN AVAILABLE

(Upto Rs 50 LAKHS 12% P/a)

মণিপুরগী মফম খুদিংমক্তা লৈবা য়ুম তশেংনা শানীংবা অমসুং ইনকম মতিক চানা লাকপা মীওইশিংগী ওইনা হাওজিং লোন পীজরি। Home Repairing, Renovation, Modular Kitchen, Grazings অমসুং Floor Repairing নচিংবগী লোনগী খুদোংচাবসু লৈগনি। Tiles, Granites, Marbles, Sand অমসুং Cements কী Free Home Delivery Service সু ফংবীগনি।

Mobile Nos. # 8787727402 # 8787530036

Please Contact:- L.G. Construction & Materials Company Pvt. Ltd.
Khagempalli Huidrom Leikai, Imphal West, Manipur

HL/B/6099/23 April to ...

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com